# এন্টিবোদিশিংগী কোকটেল শীজিন্নরগা লায়েংবা ইন্দিয়াগী অহানবা কোভিদ পেসেন্ট দিসচার্জ তৌখ্রে



গুরগাও, মে ২৬ (এজেন্সী):

মোনোক্লোনেল এন্টিবোদিশিংগী কোকটেল অমা শীজিন্নদুনা লায়েংখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট কোকটেল অদু থাখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা হরয়ানাগী হোস্পিটাল অমদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। পেসেন্ট অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এন্টিবোদিশিংগী কোকটেল থারবা মতুং মথংগী নুমিৎ হায়বদি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দিসচার্জ তৌখিবনি।

মশাগী চহী ৮২ শুরবা পেসেন্ট নুপা অদু মশাদা হান্নদগী লায়না কয়া চেল্লি। মহাক মেদান্টা হোস্পিটালদা কোকটেল অদু থারবা মতুংদা ময়ূমদা হনখি হায়না হোস্পিটাল অসিগী চ্যেরমেন দা. নরেশ ট্রেহননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোরকখি।

মোনোক্লোনেল এন্টিবোদিজ কোকটেল অসি য়ু এস অমসুং য়ুরোপ্তা পাক-শন্না শীজিন্নে হায়না পল্লদুনা দা. ট্রেহননা হায়, কোভিদ ইনফেক্সন লৈবা অহানবা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা কোকটেল অসি থারবদি লায়েংনবগীদমক হোস্পিটালশিংদা এদমিট তৌনবা থৌরাং তৌরিবা পেসেন্ট চাদা ৭০-৮০দি হোস্পিটালজেসন মথৌ তারোই।

মোনোক্লোনেল এন্টিবোদিশিংনা ইম্ম্যুন সিষ্টেমনা ভাইরসশিং অমসুং অতৈ হকচাংদা মাঙনিংঙাই ওইবা পেথোজেনশিং থেংনবগী মতৌ তমদুনা লায়না থেংনৈ।

মেদান্টা হোস্পিটালগী দোক্টর সৈত্য প্রকাশ য়াদবনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়, হৌজিক মার্কেটতা কোভিদ-১৯ লায়েংনবগী মোনোক্লোনেল এন্টিবোদিশিংগী কোকটেল ফংবগা লোয়ননা ঙসি কোকটেল অসিবু লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈরবা মশাগী চহী ৮৪ শুরবা জেন্টলমেন অমদা থারে। মসিনা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট কয়া অমসু লায়না অসিদগী ফহনবদা মতেং পাংবা ওইরসনু।

দা. ট্রেহননা হায়, মোনোক্লোনেলনা এন্টিবোদিজ কোকটেলগী লায়েং চত্থরবা মতুংদা ঙসি ময়ূমদা হনখিবা পেসেন্ট অদু মখোয়না মখা তানা মোনিটর তৌখিগনি। ভাইরস লোদ ৱাংনা য়াওবা মীওইশিং অমসুং ইনফেক্সন শাথিনা থোকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবশিংদা ভাইরস মল্টিপ্লিকেসনগী চাং হন্থে।

ইনফেক্সন ঙল্লিবা পেসেন্টদা কাসিরিভিমাব অমসুং ইমদেভিমাব কাপশিনবদা পেসেন্ট অদুগী সেলশিংদা ভাইরস চঙবা থিংবা ঙম্মী। কোকটেল অসি কোভিদ-১৯ গী মায়োক্তা নীংথিনা মথৌ তৌই অমসুং বি ১.৬১৭ ভেরিয়ন্টকী মায়োক্তসু ইফেক্টিভ ওই। মসি তশেংনমক অনৌবা খূৎলায় অমনি হায়না মেদান্টা হোস্পিটালগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দা. ট্রেহননা মখা তাখি।

# পুদুচেরিগী ইমুং খূদিংমক্তা লোকদাওন রিলীফ ওইনা লুপা ৩০০০ পীরগনি



পুদুচেরি, মে ২৬ (এজেন্সী):

পুদুচেরিগী ইমুং খূদিংমক্তা লোকদাওনগা মরী লৈনবা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ৩০০০ পীরগনি হায়না য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন রঙ্গসামিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে। থৌরাং অসিগী মখাদা ইমুং ৩,৫০,০০০না কান্নবা ফংলগনি।

ৱাফম অসি রঙ্গসামিনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমগী খূত্থাংদা লাউথোরকপনি। টেরিটরি অসিগী ইমুং ৩,৫০,০০০ দা শেলগী মতেং পীনবা গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ১০৫ কায়থোক্লে।

কোভিদ-১৯ থেংননবা খূদক্কী মতেং ওইনা পুদুচেরিগী মীয়ামদা শেলগী মতেং পীনবা ওপোজিসন কোংগ্রেস অমসুং দি এম কেনা গভর্ণমেন্টতা তকশিন্দুনা লাকপনি। মখোয়না হায়, নুংতিগী শুরগা খূৎশুমলনা য়ূম পুনরিবা ৱর্করশিং লোকদাওননা মরম ওইদুনা থবক শুদবদগী খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং নংলি। শেলগী মতেং পীবনা মখোয়বু কান্নহনগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোক্লিবা ৱাফম অসিবু তরাম্না ওক্লদুনা বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট সামিনাথননা হায়, চীফ মিনিষ্টরগী অফবা খোঙথাং অসি বি জে পিনা তরাম্না ওকই। মসিনা কোভিদ অমসুং লোকদাওনগী চৈথেং নংলিবা মীওইশিং অসিগী অৱাবা কোহনবদা মতেং ওইরগনি।

পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়ুনিয়ন টেরিটরি অসিগী মফম কয়াদা থোঙথাক্লবা পোৎলমশিং অমসুং অতৈ মরু ওইবা আইটেম কয়া য়েন্দুনা লাক্লে। শুরগা চাবা মীওই অমা ওইরিবা মহেদা লৈবা অশোকননা হায়, পুদুচেরিগী চীফ মিনিষ্টর এন রঙ্গসামি মতম পূম্বদা মীয়ামগী খনবা অমসুং লায়রবশিংগী অৱাবা খঙবা লুচিংবা ওইদুনা লাক্লি। মহাক্কী মায়কৈদগী অসিগুম্বা মতেং লাউথোরকপা হায়বসি ঐখোয়না হান্নদগী থাজরক্লবা ৱাফম্নি। নুমিৎ কয়ানি শুফম লৈরক্লবা ঐহাক্কুম্বা মীওইশিংগীদি পীগদৌরিবা শেনফম অসি য়াম্না চাওই। চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎচরি, ঐখোয়গী অৱাবা খরমখৈদি কোল্লগনি।

## কোভিদ পোজিটিভ ওইবা বর ক্বারন্টিনদা থমখ্রে

হমিরপুর, মে ২৬ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী হমিরপুর দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা বর অমা ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমখ্রে।

থৌদোক অদু সিসোলর পুলিস সর্কলনা কোনবা বাকচা ভিলেজদা বর অদুনা অসগহা তমৌরা ভিলেজদা লৈবা লুহোংগদৌরিবী নুপী অদুগী ময়ূম পাংলমদাইদা থোকখিবনি। লুহোংবগী প্রোসেসন চৎলমদাইদা বর অদুগী কোভিদ টেষ্ট রিপোর্ট লাকখি অমসুং মদুনা মহাক কোভিদ পোজিটিভ ওইরে হায়বসি উৎখি।

পুলিস টিম অমনা লুহোংবগী প্রোসেসন অদু লেপহনখি অমসুং বর অদুবু দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ক্বারন্টিন সেন্টর অমদা পুখি। মৌদাহা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরগী ইন-চার্জ দা. অনিল সাচননা ফোঙদোরকপদা বর অদু ক্বারন্টিন সেন্টর অমদা এদমিট তৌরে অমসুং হৌজিক মহাক্কী ফিভম নুংশা থীনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

# কোটাদা য়ুনিভর্সিটিগী ফম হাপচিনখিবা য়ু পিগী মিনিষ্টরগী মনাওনুপা রিজাইন তৌখ্রে



লক্ষ্নৌ, মে ২৬ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী বেসিক এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সতিশ দ্বিৱেদিগী মনাওনুপা অরুন দ্বিৱেদি সিধার্থা নগরদা লৈবা সিধার্থা য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।

অরুন দ্বিৱেদি মশাগী ওইবা মরম খরা পল্লদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রিজাইন তৌখি অমসুং ভাইস চান্সলর দা. সুরেন্দ্র দুবেনা মহাক্কী রেজিগনেসন য়াখ্রে। অরুননা য়ুনিভর্সিটিগী ফম অসি পায়রকপদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানীংদবা উৎলকপদগী ফম থাদোকপগী খোঙথাং অসি লাকপনি। মহাক ইকনমিকেল্লি ৱিকর সেক্সন (ঈ দব্লিয়ু এস)কী কোটাদা সিধার্থা য়ুনিভর্সিটিগী সাইকোলোজি দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী ফম হাপখি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, সাইকোলোজি সবজেক্টকী ওইনা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী ফম অনী লৈখি। দা. হরেন্দ্র শর্ম্মবুনা ও বি সী কোটাদা ফম হাপ্লগা দা. অরুন কুমার দ্বিৱেদিবুনা ই দব্লিয়ু এস কেটগোরিদা হাপখি।

নুংঙাইরিবদি, ভাইস চান্সলর সুরেন্দ্র দুবেগী টর্ম মে ২১দা লোইগদবা ওইরবসু নোংমা ৱাৎলিঙৈ মে ২১দা মহাক্কী টর্ম রেগ্যুলর ভাইস চান্সলর হাপত্রিফাওবগী ওইনা শাংদোকখিবসিনি।

সিধার্থ য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারনা হৌখিবা চয়োলদা দা. অরুন দ্বিৱেদিদা এপোইন্টমেন্ট লেটর পীখি। ভাইস চান্সেল্লর দা. সুরেন্দ্র দুবেনা হায়, ফম অনীদুগীদমক এপ্লিকেসন ১৫০ রোম থাজিল্লকখি অমসুং মেরিটতা য়ূম্ফম ওইরগা ১০ শোর্টলিষ্ট তৌখি। কেনিদদেট ১০দুগী ইন্টরভিয়্যু পাঙথোকপদা অরুন দ্বিৱেদিনা অনীশুবা রেঙ্ক তাখি। মহাক্না মিনিষ্টরগা লৈনবা মরী ঐখোয় খঙখিদে হায়না ভাইস চান্সলরনা মমাঙদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর দ্বিৱেদিনা মনাওনুপা থবক্কী খনখিবদা মহাক্কী মায়কৈদগী ইথিল পীখিবা লৈতে হায়রদুনা মহাক নীংতম্না লৈজবা মীশক্লি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

চৈরকসিদা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা মহাক্কী ফেশবূক পোষ্টতা হায়খ্রে মদুদি ওজা লিশিং কয়ানা রেগ্যুলর ফম ঙাইনরিঙৈদা ষ্টেট এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা অৱাবগী মশক ওইরবা তানফম অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মনাওনুপাগী থবক লাংলল্লে। মহাক্না থৌদোক অসি লায়রবা অমসুং খুন্নাইগী শোত্থরবশিংবু করেম্নবগী থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# প্রোটেষ্টরশিং শৌগত্তুনা টামিল নাদুগী লৌমীশিংনা ব্লেক দে ওবজর্ভ তৌখ্রে



চেন্নাই, মে ২৬ (এজেন্সী):

ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লোশিং রিপীল তৌনবা তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা নোর্থ ইন্দিয়াগী লৌমীশিংবু শৌগৎলদুনা ত্রিচি য়াওনা সেন্ট্রেল টামিল নাদুগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী লৌমীশিংনা মখোয়গী য়ূম মথক্তা অমুবা ফিরালশিং চিংখত্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফার্ম লোশিং অদুগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট চত্থরকপা থা তরুক ফারকপগা মরী লৈননা মে ২৬ অসিবু ব্লেক দে হায়না ওবজর্ভ তৌনবা সাময়ুক্তা কিসান মোর্চানা আপীল তৌবদগী প্রোটেষ্ট অদু পাঙথোকপনি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মার্ক্সিষ্ট (সী পি আই এম)গী কাদরশিং অমসুং টামিল মানিলা ভিভাসায়া থোজিলালার সঙ্গমগুম্বা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগী কাদরশিং অমসুং লুচিংবশিংনা ষ্টেট অসিগী ময়ায় থংবা লমদমগী থাঞ্জাভুর, ত্রিচি অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা মখোয়গী য়ূম মথক্তা অমুবা ফিরালশিং চিংখৎখি।

দেসিয়া থেন্নিদিয়া নাদিগল ইন্নাইপু ভিভাসাইগাল সঙ্গমগী প্রসিদেন্ট পি অয়াক্কান্নুনা হায়, নোর্থ ইন্দিয়াগী লৌমীশিংগী খোঙজং ঐখোয়নসু শৌগৎপা উত্তুনা প্রোটেষ্ট অসি পাঙথোকপনি। মে ২৬ অসি ব্লেক দে হায়না ওবজর্ভ তৌদুনা ঐখোয়না য়ূম মথক্তা অমুবা ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অমসু পাঙথোকখ্রে।

লৌমীশিংগী মায়োক্তা ওইবা লোশিং খূদক্তা রিপীল তৌনবা ঐখোয়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ তৌরি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অঙনবদা দেসিয়া থেন্নিদিয়া নাদিগাল ইন্নাইপু ভিভাসাইগাল সঙ্গমগী কাদরশিং অমসুং লুচিংবশিংনা ত্রিচিগী কারুর বাই-পাস রোদতা ফমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

# সেন্টরনা অহেনবা এম্ফোটেরিসিন ভাইলশিং য়েন্থোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২৬ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়েং চত্থরিবা ম্যুকোরমাইকোসিসকী পেসেন্ট ১১,১১৭কী য়েংদুনা সেন্টরনা লায়না অসি লায়েংবদা মরু ওইনা শীজিন্নরিবা দ্রগ এম্ফোটেরিসিন-বিগী অহেনবা ভাইল ২৯,২৫০ ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি (য়ু টি)শিংদা য়েন্থোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর কেমিকেলস এন্দ ফর্টিলাইজর্স দি ভি সদানন্দা গাওদানা লাউথোকখিবদা, এম্ফোটেরিসিন-বিগী অহেনবা ভাইল ২৯,২৫০ ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা য়েন্থোকখ্রে। মসিগী মমাঙদা মে ২৪দা এম্ফোটেরিসিন-বি ভাইল ১৯,৪২০ য়েন্থোকখি অমসুং মে ২১দা ভাইল ২৩,৬৮০ য়েন্থোকখি।

ম্যুকোরমাইকোসিস অসি কোভিদ-১৯দগী ফরক্লিবা পেসেন্টশিংদা লৈবা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লিবা ইনফেক্সনশিংগী মনুংদা অমনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কেমিকেলস এন্দ ফর্টিলাইজর্সকী মতুং ইন্না, ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা দ্রগ অসিগী চাকথুং য়েন্থোকপা অসি অপূনবা পেসেন্ট মশিংদা য়ূম্ফম ওই। অহেনবা এম্ফোটেরিসিন ভাইল খ্বাইদগী মশিং য়াম্না থুংবা ষ্টেটশিংদি গুজরাট (৭,২১০) অমসুং মহারাষ্ট্রা (৬,৯৮০)নি। অতৈ ষ্টেটশিংদি অন্ধ্র প্রদেশ (১,৯৩০), মধ্য প্রদেশ (১,৯১০) টেলঙ্গনা (১,৮৯০), উত্তর প্রদেশ (১,৭৮০), রাজস্থান (১,২৫০), কর্নাটকা (১,২২০), হরয়ানা (১,১১০), সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুসনশিং (১,০০০), টামিল নাদু (৬০০), বিহার (৫৫০), পঞ্জাব (৩৬০), উত্তরখন্দ (৩২০), দেল্লী (৩০০), ছট্টিসগর (২৬০), চান্দিগর (২১০) অমসুং কেরেলা (১০০) অসিনি।

# ৱাটসঅপনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা দেল্লী হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২৬ (এজেন্সী):

খূদক্তা মেসেজ থাবা য়াবা এপ-ৱাটসঅপনা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা দেল্লী হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী অনৌবা দিজিটেল রেগ্যুলেসনশিংনা য়ুজরশিংগী প্রাইভেসি ভাইওলেট তৌগনি হায়রদুনা ৱাটসঅপনা অনৌবা নোর্মশিং অদুবু চেলেঞ্জ তৌখি।

গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লিবা অনৌবা দিজিটেল মিদিয়া রুলশিং অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী চৎনগদবনি। ফেশবূকনা চল্লাইবা মেসেজিং এপ্লিকেসন অসিনা হায়, অনৌবা রুলশিং অদুনা সর্ভিস অসিদা থারক্লিবা মেসেজশিংগী হৌরকফম খোঙ্গুল লীবা মথৌ তাহনগনি। মসি প্রাইভেটস ভাইওলেসন তৌবা থৌওং অমনি।

ৱাটসঅপনা মখা তানা হায়, মেসেজিং এপশিংবু বেটশিংগী খোঙ্গুল লীহনবা হায়বসি ৱাটসঅপতা থাবা মেসেজ খূদিংমক্কী ফিঙ্গরপ্রিন্ট থম্মু হায়বগা মান্নে। মসিনা এন্দ-টু-ইনক্রিপসনদা অকায়বা পীবগা লোয়ননা মরু ওইনা মীয়ামগী প্রাইভেসিগী রাইটতা শোকহনগনি। ইন্দিয়াদা মীওই মিল্লিয়ন ৪০০ রোম্না ৱাটসঅপ শীজিন্নরিবনি।

য়ুজরশিংগী প্রাইভেসি ভাইওলেট তৌগদবা থৌরাংশিংগী মায়োক্তা লেপ্লিবা মালেমগী এক্সপর্টশিং অমসুং সিভিল সোসাইটিবু ঐখোয়না শৌগত্তুনা লাক্লি। চৈরকসিদা লোনা য়াবা মওংদা ঐখোয়দা লৈরিবা ইনফোর্মেসন পীনবা হায়জরকপশিংদা রেস্পোন্দ তৌবা য়াওনা মীয়ামদা অকায়বা থোকহন্দনবগী পান্দমগা লোয়ননা ঐখোয়না মখা তানা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ইনগেজ তৌগনি হায়না ৱাটসঅপকী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অকক্নবা হংলকপগী মতুং ইন্না সোসল মিদিয়া সাইটশিংবু ইনফোর্মেসন অমগী অহানবা হৌরকফম খঙবা মথৌ তাহল্লিবা অনৌবা রুলশিংদুগী মনুংদা অমবু ইন্দিয়ন কন্সটট্যুসনগী মখাদা প্রাইভেসি ভাইওলেসন অমনি হায়না লাউথোকখিনবা পিটিসন অদুনা দেল্লী হায় কোর্টতা হায়জখি।

ফেশবূক, গুগল অমসুং ত্বিটর য়াওনা টেক জাইন্টশিং অমসুং সেন্টরগী মরক্তা মুক্নবা হেনগৎলকপা লোয়ননা লোস্যুট অসি ফাইল তৌখিবনি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 56,30,000+24,136 | 52,20,000+36,176 | 90,349+1,137 |
| Karnataka | 24,70,000+22,758 | 20,20,000+38,224 | 26,399+588 |
| Kerala | 24,00,000+29,803 | 21,30,000+33,397 | 7,731+177 |
| Tamil Nadu | 19,10,000+34,285 | 15,80,000+28,745 | 21,340+468 |
| Uttar Pradesh | 16,80,000+3,723 | 15,90,000+10,441 | 19,519+157 |
| Andhra Pradesh | 16,10,000+15,284 | 14,00,000+20,917 | 10,328+106 |
| Delhi | 14,20,000+1,568 | 13,70,000+4,251 | 23,565+156 |
| West Bengal | 13,00,000+17,005 | 11,60,000+19,057 | 14,674+157 |
| Chhattisgarh | 9,57,000+3,506 | 8,88,000+7,893 | 12,723+77 |
| Rajasthan | 9,24,000+3,404 | 8,29,000+15,783 | 7,911+105 |
| Gujarat | 7,95,000+3,255 | 7,23,000+9,676 | 9,665+44 |
| Madhya Pradesh | 7,70,000+2,422 | 7,13,000+7,373 | 7,686+68 |
| Haryana | 7,45,000+2,817 | 7,03,000+6,720 | 7,735+128 |
| Odisha | 7,14,000+10,939 | 6,13,000+11,769 | 2,549+33 |
| Bihar | 6,96,000+3,306 | 6,56,000+6,015 | 4,746+104 |
| Telangana | 5,60,000+3,821 | 5,18,000+4,298 | 3,169+23 |
| Punjab | 5,48,000+4,756 | 4,81,000+6,451 | 13,642+174 |
| Assam | 3,81,000+5,767 | 3,23,000+4,783 | 2,915+92 |
| Jharkhand | 3,33,000+1,247 | 3,13,000+3,155 | 4,891+20 |
| Uttarakhand | 3,18,000+2,756 | 2,67,000+6,674 | 6,020+93 |
| Jammu and Kashmir | 2,76,000+2,964 | 2,27,000+3,623 | 3,662+53 |
| Himachal Pradesh | 1,83,000+1,999 | 1,57,000+3,067 | 2,887+60 |
| Goa | 1,49,000+1,549 | 1,31,000+2,082 | 2,460+39 |
| Puducherry | 98,219+1,237 | 81,336+1,571 | 1,408+26 |
| Chandigarh | 58,992+258 | 54,215+618 | 714+5 |
| Chandigarh | 58,992+258 | 54,215+618 | 714+5 |
| Tripura | 47,965+667 | 39,491+965 | 473+3 |
| Manipur | 45,451+824 | 37,946+468 | 720+15 |
| Meghalaya | 31,449+957 | 22,976+755 | 502+19 |
| Arunachal Pradesh | 25,002+429 | 21,575+231 | 104+2 |
| Nagaland | 20,535+276 | 15,414+166 | 315+18 |
| Ladakh | 17,810+278 | 16,070+179 | 179+1 |
| Sikkim | 13,511+278 | 9,904+87 | 237+5 |
| Mizoram | 10,937+315 | 8,160+141 | 34 |
| Lakshadweep | 7,111+264 | 4,765+104 | 26+2 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,878+25 | 6,544+49 | 106+2 |

## জর্নেলিষ্টশিংগী কোভিদ ইন্সেন্টিভ কম্পেন্সেসন হেনগৎহনখ্রে

চেন্নাই, মে ২৬ (এজেন্সী):

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী জর্নেলিষ্টশিংগী ইন্সেন্টিভ রিভাইস তৌদুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লৈনা লৈনা মথৌ তৌবগীদমক্তা লুপা ২,০০০ দগী লুপা ৫,০০০দা হেনগৎহনখ্রে।

ষ্টেলিননা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা এক্রিদিটেদ জর্নেলিষ্টকী ইমুংদা পীবা কম্পেন্সেসনসু শরুক অনীদা হেনগৎহনখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ষ্টেলিননা হায়, জর্নেলিষ্টশিংনা গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়ামগী মরক্তা থৌওং অমা ওইনা মথৌ তৌদুনা অচুম্বা অমসুং কান্নবা ঈ-পাউ ফংহল্লি অমসুং মীয়ামদা হীরম কয়াদা এৱ্যেরনেস পী।

জর্নেলিষ্টশিং অমদি সেক্সন কয়াদগী হায়জরকপশিং খন্নরদুনা ষ্টেলিননা এক্রিদিটেদ জর্নেলিষ্টশিংগী ইন্সেন্টিভ লুপা ২,০০০ দগী ৫,০০০ দা হেনগৎনবা ওর্দর তৌখিবনি। মান্নবা মওংদা চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা এক্রিদিটেদ জর্নেলিষ্টশিংগী ইমুংশিংদা পীবা শেলগী মতেংসু শরুক অনী হেনগৎহন্দুনা লুপা লাখ ১০ য়ৌহনখি।

## পোজিটিভিটি রেট হন্থরে

হায়দরবাদ, মে ২৬ (এজেন্সী):

টেলঙ্গনাগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চাদা ৪.১দা হন্থরে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পূং ৫.৩০দা লোইবা পূং ২৪গী মতমগী মনুংদা অনৌবা কেস ৩,৭৬২ থেংনখি। টেষ্ট মশিং হেন্না তৌরবসু কেস মশিং মমাঙগী নুমিত্তা ৩,৮২১ ওইরম্বদগী হন্থরকখিবনি। মমাঙগী নুমিত্তা পূন্না টেষ্ট ৮১,২০৩ তৌখিবগী মায়োক্তা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পূন্না সেম্পল ৯১,০৪৮ টেষ্ট তৌখি। পোজিটিভ ওইবগী চাংদা চাদা ৪.৭তগী ৪.১দা হন্থরকখি।

# সাইক্লোন য়াসনা মীওই মরি শিহনখ্রে

কোলকটা, মে ২৬ (এজেন্সী):

মতিক ময়াই লৈরবা সাইক্লোন য়াস ইহান হান্না য়ুমশকৈশগী অয়ুক্তা ওরিষ্যা য়ৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অমসুং থংনবা ষ্টেট ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অৱাং থংবা সমুদ্র মপানগী টাওনশিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে।

নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা ওরিষ্যাগী কিঞ্জার অমসুং বালাসোরদা মীওই অহুম শিহনখি। লোকল সোর্সশিং মতুং ইন্না মীওই অনী নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী শাফূদা তেক্লকখিবা উনা ননবদগী শিখিবনি। মায়ুরভঞ্জদা অহল ওইরবা নুপী অমা য়ূম তেক্লকপদগী নন্দুনা শিখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা সাইক্লোন য়াসনা ষ্টেট অসিদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা পল্লদুনা হায়, অশোক-অপন নংলবা মীওই অমা রেস্ক্যু তৌরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। য়ামদ্রবদা ষ্টেট অসিগী মীওই ক্রোর ১ নোংলৈ-নুংশিৎ অসিগা মরী লৈনবা খুদোংচাদ্রবা নোং-চিংগী ফিভমশিং অমদি সমুদ্রগী ঈথকশিংনা মরম ওইদুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। শাথিরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা য়ূম লাখ ৩ অমাঙ-অতা থোকহল্লে।

এজেন্সিগী পাউ মতুং ইন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সাইক্লোন য়াস য়ৌরকপদগী ষ্টেট অসিগী তুরেল কয়াগী ঈমায় পাথোরক্তুনা নোংপোক থংবা সমুদ্র মপানগী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইরিবা পূর্ব্ব মেদিনিপুর অমসুং সাওথ-২৪ পরগনসকী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে।

সমুদ্রগী ঈথক-ঈপোমশিংনা ঈচাওগী ঈশিংদা তাওরিবা কারশিং, য়ুবী পাম্বীনচিংবদা ফূজিনবা উখি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসিগা মরী লৈননা ঝর্খন্দ ষ্টেটসু মীকূপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে। ওরিষ্যা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মতুংদা সাইক্লোন অসিনা য়ুমশকৈশগী অহিং নোংয়াইদা ঝর্খন্দ য়ৌগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখ্রে।

# কোভিদ-১৯ থেংননবা মিনিষ্টরশিংগী গ্রুপ শেমখ্রে

ভোপাল, মে ২৬ (এজেন্সী):

মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবগী ষ্ট্রেটেজি পুথোক্নবা মিনিষ্টর গ্রুপ অমা শেমখ্রে। গ্রুপ অসিনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর গ্রুপ খূদিংমক্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা মখোয়গী পাউতাক পীগনি।

মথৌ তারকপগী মতুং ইন্না গ্রুপ অসিনা দিষ্ট্রিক্ট ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কম্মিটি, দিভলপমেন্ট ব্লোক ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমসুং সিটি ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কম্মিটিশিংগা তান্নরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা রিকম্মেনেদসনশিং সবমিট তৌগনি। লায়না শন্দোকপগী চৈন থুগায়নবা অমসুং ষ্টেট অসিগী মীয়াম চাদা ১০০ ভেক্সিন কাপ্পগী পান্দম ফংবা ঙম্নবা মিনিষ্টরশিংগী গ্রুপ অসিনা সজেসন কয়া পীগনি।

ষ্টেট অসিদা থল্লিবা কোরোনা কর্ফ্যু তাঙ্কক নাইনা লোইশিন্নবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবগী ষ্ট্রেটেজি নীংথিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবসু মিনিষ্টর গ্রুপ অসিদা শিন্নখ্রে। সিটিজনশিংবু কোভিদ-১৯ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেভিয়র ঙাকহনবদা মথৌ তারিবা এৱ্যেরনেস শন্দোকপগা লোয়ননা মখোয়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী সজেসনশিং পীগনি।